# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১২৫

**ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম**

**মণিপুরগী** লৈঙাক অসি মমাঙথক্কী কোংগ্রেস লৈঙাক্তগী অহোংবা খরদি ফজনা উহনবগুম চখুরকপা তরাইবা নত্তে। শ্রী বিরেনগী লৈঙাক মীয়াম্না মপূং ফানা শৌগৎনরকপা ইচম-চম্না খন্দোকপা য়ারোই। মসিমক্না তকোম-তকোম খল্লুবসু য়াররোই। শ্রী বিরেনগী ফজরবা চীংদা চৎলু, খুঙ্গং চৎলু পান্দম মপূং ফানবা পাঙথোক্লব্রা ৱাহংসিমদি ইরায় লায়না লৌরুবা য়াদে। মসিদি নাকল নাম্মতগী ওইবা খোল্লাউ ঙাক্তনি। খোল্লাউ অসিগী ৱাহন্থোক কয়া মথং মথং লাক্লখিগনি। মণিপুরগী চীং-তম অনীমক্কী খোল্লাউ কুমজা ২০১৯গী এম পিগী ইলেক্সন মতমদা অফবা ফত্তবা ময়েক হেন্না তরু-তরুনা খঙনরকখিগনি। মসিমক লৈঙাক পায়রিবশিংনা লাউবনি। লৈঙাক অসিদা য়াওরিবা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংদা নত্তনা শিংগী বি জে পিগী এম এল এশিংনা ফাওবা পেন্নদবা খোল্লাউ লৈতবা নত্তে। মসি ঙম্নমক মীৎনা শংশংনা খঙনা উনরিবশিংনা লেংদ্রবা খুদম চাংদমনি। মতম অমদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা লাউরম্বা কয়াদু বি জে পিনা ঙসি লৈঙাক পায়রক্লবা মতমসিদা নুং-পানগী ৱাফম ময়েক শেংনা ঙাংনরকপা মীয়াম্না তানরে। কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা লাউরম্বা ‘মোদেল খুঙ্গং’গী অওনবা অহোংবা করিসু লৈখিদে। ঙসিসু তম্পাক্কী এম পি কোংগ্রেসকী মীহুৎ অসিনা মোদেল খুঙ্গংদা করি করি অহোংবা পুবিরক্লবগে ? ৱাহংনি। ৱাহংসিগী মতিক চাবা পাউখুম কৈদৌনুংদা চেনবা খক য়ারোই।

মতাংসিদা হন্দক্কী শ্রী বিরেনগী লৈঙাক অসিনা থবক ফজনা তৌরে হায়বসিদা মোদেল খুঙ্গং, খুঙ্গং চৎলু হায়বসি করি করম্বা তোপ তোপ্পা থবক পায়খৎপিরবগে? ৱাহংনি। তশেংনমক মমাঙথক্কী মোদেল খুঙ্গং হায়বদি ঙসিমক এম পি ওইরিবা ডা. মৈন্যগী খ্বাইদগী নক্লবা ‘মোদেল খুঙ্গং’ অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা ঙাইরাংবম খুলসিদা লমদমসিগী মীয়াম্না মোদেল খুঙ্গংগীদমক করি করি অনৌবা অহোংবা পুরকখ্রবগে হায়বসি য়েংবা য়াই। ঙাইরাংবম হায়বসি ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৮/৯ রোম লাপ্পা মফমনি। মসিগী মথক্তা মোদেল খুঙ্গংগী তোপ তোপ্পা অহেনবা শেলফম লুপা কয়া হেন্না কায়থোকখ্রবগে? মদু নত্তনা চুম্না মীয়াম মমাঙদা ফজনবা পংহায় হায়বনচিংবা ওইরবদি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীফম থোকই। মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা চখুরম্বা থৌরমসু ময়েক শেংনা মীচম মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাগনি খল্লি। অদুবু মথংগী কুমজা ২০১৯গী এম পি ইলেক্সনগী মতমদা শোয়দনা চেনবা য়াদনা ফোঙদোক্লরক্কনি। মরকসিদা ঙসিগী থম্মোয় শেংনা লৈবাককী থৌগল তৌরি হায়না ফোঙদোক্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনসু মীয়ামদা শেংদোরক্কনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। মোদেল খুঙ্গং অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা অহেনবা শেনফম খরদি শোয়দনা কায়থোক্লমগনি। ঙসিগী বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা তরু তরুনা এম পি ইলেক্সন লাকত্রিঙৈদা ফোঙদোকপীরবদি মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী পূক্নিং লৌশিংসু ওইনগনি। মরম অদুনা থম্মোয় শেংনা লৈঙাক তৌরি হায়না মকা লাম্না ঙাওন-শক্লরিবশিং নুং-পানগী অশেংবদু খঙনহনবদা পূম্নমক্কী লৌশিং খরদি বি জে পি অমদি কোংগ্রেসকী মরক্তা কদাই ফাওবা চুম্না শেংনা থবক তৌবগে হায়বসি মীৎ-নাকোং ওইনগনি খল্লি।

অসিগুম্বা খরসিদা নত্তনা হন্দক্কী বি জে পি অমদি কোংগ্রেস অনীগী পোলিটিক্সকী কল্লবা ঈরাংসি বি জে পিগী এম পি, কোংগ্রেসকী এম পি অনীগী মরক্তা খেন্নবা ময়েক শেংনা উবা ফংগনি। ঙসিমক লৈঙাক পায়মিন্নরিবা বি জে পিগী এম এল এ অমদি ওপোজিসন্দা লৈরিবা এম এল এ অনীগী খেন্নবা মশক তরং-তরং খঙহনবদা ভোট খোমলদ্রবসু ইয়া য়ারগনি খল্লি। হীরম অশোমদা পোলিটিক্স শান্নবিরবদি মীচম মীয়ামদা পূক্নিং লৌশিংসু ওইনরগনি। মসিনা ইতোপ তোপ্পা ওইনা থমখ্রগা মণিপুরগী চীং-তম অনীগী মরক্তা লৈনরিবা নুংগী ওইবা ইরাং নাগাগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসিদা চীংমী মরক্তা কদাই ফাওবা ৱাখল তানরবগে। চীংদা চৎলুনা কদাই ফাওবা কান্নবা পীরবগে হায়বসি ময়েক শেংনা উবা ফংগনি। নাগাগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই, ঙসিদি মৈরিক্তগী মৈজাও হৌরক্লবা মতম অমনি। মসিগী মথক্তা তম্পাক্কী মনুংদা আই এল পিগী ঈহৌ লৈতবা নত্তে। মসিগী মথক্তা ইস্যু অমতং নৈনবদা চাউরবসিনা ইস্যু কয়া পরেং লেংবসি মতম মতমগী লৈঙাক্লা নাথৈ নাথৈদুনা থম্নরকপগী ফল অমনি। ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদগী নৈনদুনা লাক্লবা নাগাগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খ্বাইদগী চাউবা ইস্যু ওইররে। অসিগুম্বা ইস্যু অসিনা য়ৈরকপা চৈথেংদা নাগা কুকিগী মরক্তা অমদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কয়াগী মনুংদা তোপ তোপ্পা ইস্যু অমসু লৈতবা নত্তে। হন্দক্কী শ্রী বিরেনগী বি জে পি লৈঙাক অসিদা থেংনরিবা ইস্যু অমত্তা তরাইবসু নত্তে। অদুম ওইনমক শ্রী বিরেনগী মতমদা য়ৈররিবা চৈথেং অসি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা ফুমদুনা থম্লম্বা কয়া পোকখায়রকপনি। পোলিটিক্সকী শরৌ লাংনি হায়না লৌবসু লানগনি। হন্দক্কী লৈঙাক অসিদা থোরক্লিবা ৱাথোক পূম্নমক চহী কয়াগী মমাঙদগী ওমদুনা থম্নরক্লবা কয়াদু ফোঙদোক্লরকপনি। মতম অমদা এন এস সী এন হায়বা লালহৌ লূপ অসিনা তাল্লম্বা কয়াশিং অদু মতম মতমগী শেমদোক শাদোরকপদগী ঙসিগী শক্তম অসি ওইহল্লকপনি। মণিপুরদা অমুবা আইন অসি পুশিল্লকখিবদি করম্বা চীফ মিনিষ্টরগী মতমদা লাকখিবনো হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরিবনি। মতম অমদা এন এস সী এনগী দিমান্দ তৌরম্বসি নাগালেন্দ মনুংগী ইস্যুনি। ঙসিদি ইস্যু অসি মপূং ওইনা মণিপুরদা থোক্লরে। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইবা হায়বসিগী মপূং ওইবদি কনাগী মতমদা, কদাইদগী হৌরকখিবনো হায়বসি হেন্না কূপ্না পোলিটিক্স শান্নরিবশিংনা ইখঙ খঙনরিবনি। ঙসি কোংগ্রেস ওইরম্বা হয়েং বি জে পি ওল্লকপা পোলিটিক্সতা থোইনা ঙক্লিংঙাই ওইদে।

পোলিটিক্সপু মীয়াম্না থাজনরকত্রিবসি হেন্না মনুং হঞ্জিন্না নৈনবীফম থোকই। পোলিটিক্সতা পলেপফম লৈতবা অসিনা থোকহল্লকপনি। দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক মাঙশিল্লক্লিবসি মতাং অসিৱাইদনি। ঙসিদি মণিপুরগী ইস্যু অসি অমত্তা তরাইদে। ইস্যু খুদিংমক পোলিটিকেল পার্টিশিংনা থোকহনবা ঙাক্তনি। মতম অমদা শক্তি পায়রিঙৈদা য়োন্থোক্লম্বা লুচিংবশিংনা ঙসি মখোক লোয়বা মতমদা খঙনরকপনি। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা রবিনা-সঞ্জিত অনীগী মীহাৎ ফোঙনা খঙনরবা ফাওবা তুমিন লৈশিনবা, তোম্বীস্না স্কুলগী মীকোক ময়াম ফংখিবশিং নমশিন্দুনা থম্নরিবা করিগীনো? মীচম ১৫০০গী মথক্তা মাঙহনখিবা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম লৈরিবা করিগীনো? পোলিটিক্সতা শক মায় য়েংনবা অচুম্বগী মফম লৈশিল্লক্তবসি চাউরবা খুদম অমনি। চোঙথোক চোঙশিনগী আইন লৈরবসু নুংশা মঙালদা লেন্না তুম্বগুম তুমশিনখিবা অঙকপা নত্তে। মসি পূম্নমক অচুম্বগী শক্তম মাঙশিল্লকপগী ককপা য়াদনা চুল্লবনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী থম্মোয় শেংনদবদগী তারকপা ফলনি।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা ঙসিমক মণিপুরদা ৱাথোক ওইরিবা এম য়ু কেম্পস মনুংদা অহিংদা পুলিস চঙশিন্দুনা চখুখিবা থৌওংশিং য়াম্না তরাইনা লৌবা য়ারোই। করম্বা কনাগী পাউ ফংবদগী মহৈরোয়শিংগী লৈফমদা ওপরেসন চখুরকখিবনো হায়বা ৱাহং অমদি চাউনা মৈ ঈশিংনা চামদুনা কৈদৌনুংদা কোক্লরোই। ৱাফমসি মণপুরগী মীয়াম্না য়াফম থোক্তে। হীরম অসিগী মতাংদা ঙসিগী বি জে পি লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অঙকপা পোক্লন্দবা নত্তে। করিগুম্বা চিংনবা খরদগী ইনক্বারি চখুদুনা লৈরিবা ভাইস চান্সেল্লর অমনা প্রোফেসর ভি সী অমা হাপলে হায়বসি হন্দক্কী এম য়ুগী ৱাথোকসিদা ঙাঙনরকপা ঙক্তবা য়াওনদে। মসিনা তাকপদি বি জে পি লৈঙাককসি অঙকপা লৈঙাক অমনি হায়বসি মশানা তাজবনি। সেন্তরদা পাল্লিবা বি জে পি ষ্টেটতা লৈরিবা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি অনী অসিবু চুন্নিবরা ? দেমোক্রেসি হায়বসি অসি ওইরে। মীচম অমা ওইনা থম্মোয় শেংনা খঙজনীংবা ফাওনদবা নত্তে। মণিপুরগী মহৈ লোইশঙগী খ্বাইদগী ৱাংবা মহৈশঙ অমদা থোরকখিবা ৱাথোক তরাইনা খন্দোকপা খক য়াররোই। মীচম মীয়াম্না পাউসি তাবদা ঙক্লন্দবা নত্তে। ঙসিদি এম য়ুগী ৱাথোককসি ইন্দিয়াগী মনুংদা অঙকপা পোক্লরল্লোইদবা লৈতে। মরম অদুনা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্তা দেমোক্রেসি অসি ময়েক শেংনা মীচম মীয়ামদা পাউতাক পীবিদুনা অচুম্বগী মফম অমা খঙহনবীফম থোকই। কুমজা ২০১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সন মাঙদা তাদুনা লৈরে। এম য়ুগী মহৈরোয়শিং অমদি মমা-মপা ওইরিবশিং অসিগী মথক্তা অতৈ অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটতগী লাকপা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনা মণিপুরগী পোলিটিক্সকী কাঙলোনশিং পাউ ওইনা তাবদা থাজবগী ৱাংমদা ওইনা থোক্কনি। মতাংসিদা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা অচুম্বগী মফম অমা মীয়ামদা খঙহনবীদুনা মীচম মীয়ামগী মীৎ-নাকোং ওইহনবীয়ু। লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯গী এম পি ইলেক্সন্দা মরাল লৈবা পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিক্সকী নুং-পান মশক খঙহনবা মতম ওইরে। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা থম্মোয় শেংনা ঐগী মীগী, ঐগী পার্টি, মীগী পার্টি হায়বা থম্নদনা মীচম মীয়ামদা খঙহনবীফম থোকই। ঙসিগী মণিপুরগী শক্তম অসিদি অতৈ অতৈ ষ্টেটশিংনা করি খল্লমগনি হায়বসি খঙবা তাঞ্জা ওইরে। অচুম্বগীদমক, অশেংবগীদমক থম্মোয় শেংনা পোলিটিক্স তৌবিয়ু। পৱার, শক্তিনা মতম শাংনা চৎপা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লোই।।◀◀

# লীচৎ অমসুং ধর্ম্ম

**শগোলশেমচা য়াইখোম্বা মঙাং**

**‘লীচৎ’** হায়রগা মৈতৈ/মীতৈ গীনি। ‘ধর্ম্ম’ হায়রগা হিন্দুগীনি (ময়াংগীনি)। ইংরাজি লোন্দা ‘রিলিজন’ হায়নৈ, অসিনচিংবা।

**ধর্ম্মগী ৱারোল খরা :** মৈতৈ/মীতৈ খুন্নাইসিদা থায়না হিন্দুগী মমি তাদ্রিঙৈগী মতমদা মীতৈনা মীতৈগী লীচৎ চৎলম্মী, মীতৈগী ইরোল মীতৈলোল শেংনা ঙাঙলম্মী, খুন্নাইসিগী মশাগী লাইশক খঙনা, লাইফম নাইনা লাইপোৎ-তিনপোৎ কৎফম থোকপা কৎনদুনা, কনাগীসু মীপান তাংলুদবা লাইরোল লাইশোন্তনা থৌরম পাঙথোক্তুনা খুন্নাইসিগী লমচৎ পথাপ কয়ামরুম শেমদুনা হিংজরকপসি পুৱারী অমসুং মচেৎ-মচেৎ ফংনরিবা পুয়া মচেৎ অমদি থেংনরিবা লাইরিক্কী অরিবা অমসুং অনৌবা ৱারীনচিংবা কয়াবু কয়ারক হন্না নৈনরুবা মতমদা ফংনরি। মরম অসিদগী মৈতৈ/মীতৈগী লমচৎতগী ওইবা ‘লীচৎ’ হায়বা অমা খুন্নাইসিগী য়েলহৌমীরোন্দা লৈরকখি; তৌইগুম্বসুং মদু পূম্নমক্তু মণিপুরী হিন্দুগীনি হায়না হায়খিবতনি। মদু হৌজিক (কুমজা ২০১৮) সিদসু লেংদনা খুন্নাইসিদা লৈজরি। ‘লিচৎ’ হায়বসি খুন্নাইসিগী য়েলহৌ লনকৈনি। হকচাংগী ঈচেন্দা (অহিংবদা) হিংদুনা লৈবা ঈগী মরম্নি। ঐখোয়বু ককঙাওনহনবিরে।

হৌজিক্তি মীতৈ খুন্নাইসিগী পুন্সিদা থায়নগী মীহৌরোনগী মতমদা মীতৈ হায়না খঙনরকপা খুন্নাই ঈ ফুরুপচা অসি মৈহৌরোনগী তাঙ্কক অমদগী ‘মৈতৈ’ হায়নসু খঙনরক্লি অদুগা মৈতৈ/মীতৈ হায়বসি খুন্নাই অসিদা কৌনরিবা, খঙনরিবা মমিংশিং ওইরে। খুন্নাইসিগী মমিংগী কাঙলোন অমা মীয়ামসিদা খঙনরিবসি ‘মীতৈ’ হায়বা অমা, ‘মৈতৈ’ কৌবা অমা, ‘মণিপুরী’ কৌবা অমা, মণিপুরীবু ‘মণিপুরী হিন্দু’ নি হায়বা অমা - মিং পরেংসি মীতৈগী ঈ ফুরুপ্তা থোনবা মিংথোনগী কাঙলোননি। মীতৈগী ঈ ফুরুপ্না মণিপুরী নৎত্রগা মণিপুরী হিন্দুগী পুন্সিদা ওল্লক্লবা মতাং অসিদদি লিচৎ হায়বসিসু ধর্ম্ম হায়বসিদা ওনশিনখ্রে অমসুং খঙদবা মৈতৈ/মীতৈগী (মণিপুরী হিন্দুগী) মীয়াম অমনা ঙসি লৈয়েংদা ধর্ম্ম-ধর্ম্ম হায়না হায়নরি অদুগা ধর্ম্মবু অসুম্না মীয়ামসিনা লৌনৈ মদুদি :-

‘ধর্ম্ম’ হায়বসি মীগী মাঙনবা তৌদবা, অতোপ্পগী ফত্তনবা খন্দবা, ওইদবা ঙাঙদবা, নত্তবা লমচৎ চত্তবা, হুরান-চিন্থি তৌদবা কথোকপা, পুকচেল চাউবগী গুণ চেনবা, নোল্লুকপা অমসুং থৌজাল হৈবা মীবু ধর্ম্ম লৈবা মী কৌই। ‘ধর্ম্ম’ লৈবা মীনা চাহৈদবা চাদে, তৌহৈদবা তৌদে, লাইনীং চেৎলি, মতম পূম্নমক্তা মী অতোপ্পশিংগী ফনবতা তৌই, ফানবতা খল্লি অসিনচিংবা... মসিমসু হায়রি- ‘ধর্ম্ম লৈবা মীনা জীব হিংসা তৌদে।’’ (তাকপীরম্বা বি নিত্যাই শর্ম্ম)। খঙহঞ্জবা - অজ্ঞাঁ নিত্যাইনা মপাঙ্গল কল্লিঙৈ, ঐখোয়গী ইমুংনা গৌড় ধর্ম্ম চৎলিঙৈদা ‘ধর্ম্ম’ হায়বসিবু করি হায়রিবনো তাকপীয়ু হায়না হঙ্গৎচরম্বদা তাকপীরম্বনি। থাজবদগী চহী ১০ মুক্কী মতম ওইবা য়াই, কুমজা ১৯৬০-৬১গী মতম অদুৱাইদনি। নোংমা দুর্গা পুজাগী থৌরমদা মণিপুর রাইফলস অহানবা বট্টালিয়নগী বলি ককফমদা বলি ককপা য়েংবা চৎলুই। হৌবদগী য়াম্না নিংথিজনা কুপ্না য়েংলকই। বলি কক্লনবা থাঙশাং অদু লা লাতোন অশাংবা অমদা থমদুনা ময়াং অহল বামোনগী ফিজেৎ শেৎপা অমনা দুর্গা ইমাদুদা থাঙদু শিন্দুর তৈদুনা লৈনচিংবা কৎপদু উবদা ধর্ম্মগী থবকনি হায়বসি খঙবা ঙম্মী। থাঙদু পায়গদবা মশা মউ ফবা, ৱাং চাউবা নুপাদু সিফাইগী ফিজোল শেৎতে, অকনবা অথৌবগী ফিজেৎনি। মহাক লাই (দুর্গা ইমা) খুরুম্মী। থাঙজাও থাঙশাংদু মখূৎ য়েৎকী খুদোল খূৎশানা শোক্লগা লাইবক্তা অহুল্লক কৎলি। থাঙশাংদু থৌনা ফনা লৌখৎলগা, অহুল্লক খ্বাং মপাদা য়েৎলোমদা লৈরগা থুনা থাঙ্গৎলি থবাক মপাদা থম্মী অমসুং বলি কক্লনবা মপান্দা থোরকই। মহাক্কী অহানবা খোঙথাংগা চাননা নোংমৈ অহুল্লক কাপ্পী। খোঙথাং অহানবদুগা চান্নরা অমদি নোংমৈ অহানবা কাপ্পদুপা লোয়ননা বেঙ্গুন খোঙবা পার্টিগী অহৌবা ধোন থিল্লি অমসুং তাবদা নুংশিবা পোকপা বেনগী ঈশৈ শক্তুনা খোঙই। শন্দং অচৌবা অমগী মঙক বলি কক্লনবা উয়ুং অমদা থৌরিনা মচি-চিখোংদা পুল্লগা নুপা অকনবা তরামুক্লা চিংবদুদা শিনীংদবা শন্দংদুনা মখোঙ ৪দুনা মাঙদা ইল্লগা চঙনীংদবগী মওংদু অমদি বলি কক্কদবগী পুরক্লিবা হামেং ময়াম্না ‘ইমা’ হায়বা ওইনা খোঙনবনচিংবদুগী মরক্তা থাঙশাং পায়বা অথৌবদুনা শন্দংদুবু অহুল্লক য়েৎলোমদগী কোয়রগা অহুল্লক শুবা মকোই থুংলবদা থাঙদু ৱাংনা থাঙ্গৎলগা অমুক্কী খূৎকক্তা মকোক্লা মশাগা তোঙান-তোঙান্না তাহনখি। শাদুগী মশাদু খুদক্তুদা লৈমায়থক্তা তুথখি। মঙকশম অককপদুদগী ঈ ময়াম অমা চেন্থবা হৌরকই। অকনবা নুপা তরামুক্তুনা শন্দংদুগী মমৈদু পায়মিন্নদুনা কন্না কোয়না য়েৎলোমদা চিংই। ঈগী কোয়শিনবা পংখে অচৌবা অমা ওইহল্লি। পনখৈদুগী মনুংদা হামেংশিং, ঙানু, খুননচিংবা শা উচেকশিংগী মঙক কক্তুনা ইমাদা কৎনৈ।

অমরোমদা, মীওইবশিংনা মাগী মাগী ধর্ম্ম অমমম চৎনবদা ধর্ম্মগী থৌরম্না লাকপদা হিংবগী থৌরমদা অমদি শিবগী থবক্তা ষণশা হাৎপা, হামেং হাৎপা, ওকশা-য়েনশা হাৎপা কয়া য়াওরি। পূম্নমকসিবু কূপ্না য়েংলকপা মতমদা ধর্ম্মদা জীব হিংসা তৌদে হায়বসি য়াদে হায়বা খল্লক্লদুনা চহী তরামুক্তুগী মতুংদা অমুক হন্না ধর্ম্ম কদায়বু কৌবগে হায়বসি খঙননবা থিরকখি। কুমজা ১৯৭১গী চহীদগী ঐখোয় ইমুংসি সনামহী লাইনীং চৎপগা লোয়ননা ধর্ম্মসিগী মরমদা থিরকপদা অখঙ অহে ওজাশিং কয়া মৈতৈ/মীতৈদা, মৈতৈ বামোনদা, নুপাদা-নুপীদা হংজরুবা মতাংদুদা অখঙ অহৈশিংদুনা মাগী মাগী পাউখুমদি পীবিরকখি অদুবু লাইবক থীবদি পাউখুমশিংদুনা ঐগী পূক্নিংদা মখা তানা থিনীংহনবা ঙাক্তা ওইনা থোকখি অমসুং ‘ধর্ম্ম’ হায়বা ৱাহৈসি মৈতৈ/মীতৈ লোন্দদি করি হায়বগে হায়বদুমসু খঙনীংলকখি। খঙবা ঙমদনা চহী খরা অমুকসু হৌজিনখ্রে। খল্লকখি - ‘ঐ অসি ধর্ম্ম হায়বসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক খঙবা ঙমদনা অমদি মৈতৈ/মীতৈ লোন্দা হিন্দুগী ৱাহৈ ‘ধর্ম্ম’ হায়বসিগুম্না হায়নবা ৱাহৈ লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বসি খঙদনা শিখিবা তারব্রা! পুন্সি চূপ্পগী খঙবা ঙম্মরোইদ্রা খল্লুরে।

নীংববু কল্লবদি থোকঅবা অমা লাকই হায়বসি অচুম্বনি। লীচৎ অমসুং ধর্ম্মগী মরীদা অইবা ৱারোল অমা ‘হীরম তরেৎ’ কৌবা কুমজা ১৯৭১দা ইবিরম্বনি হায়না খন্নবা, লাইরিক মচাসিদা অইবা পন্ধৌ লাইনিংহল ইকায়খুম্নজরবা তখেল্লম্বা বোকুলনা অসুম্না হায় মদুদি :- ‘লিচৎ’ : ‘অদুনা হৌজিক ৱাহন্থোক্কী মতুং ইন্না থিসি। লী + চৎ = ‘লীচৎ’ থোকয়ে। লী ৱারোল অসিদি - কোনশিনবা, কনশিনবা, লীশিনববু খঙনৈ। চৎ = মানা চৎথোরকপা মওং অমদি হৌনশা মচৎ অদুবুনি। লীশিন্দুনা চৎলিবা মচৎ অদুবু লীচৎ কৌই। মদুদি - *পোৎ অমবু পোৎতুগী পোৎশক নায়না লৈবা য়াহল্লিবদু, পোৎতুদা লৈবা পোৎতুগী লীচৎনি। মৈগী শারিবা, চাকইবা, ঙাল্লিবদু মৈগী লীচৎনি। ঈশিংগী ঈংবা, লুশিনবা, লাংথোকপা ঈশিংগী লীচৎনি।...* অসিনচিংবা’ (লৌথোকচরিবা মথক্কী লাইরিক : লমায় ৮)

‘ধর্ম্ম’ - ৱারোল অসি অভিধানগী মতুং ইন্না হল্লবদা তৌগদবা ওয়বা ঈথৌ (কর্ত্তব্য or duty), লংজবা য়াওদবা অশেংবা (পুন্য or virtue) হাই। ৱারোন্থোক্কী মতুং ইন্না থুগাইদুনা য়েংঙাগা - ধৃ + মন: = ধর্ম্ম থোকই। ধৃদি - লীশিনবা, কনশিনবা, কোনশিনবা হায়বনি। কনাবু কোনশিল্লিবনো? পূক্নিংবুনি (মন)। পূক্নিংদি - মিৎ নাকোংনচিংবা অখঙবা কয়াৎ মঙা খোঙ-খূৎনচিংবা মথৌ পাঙথোকপা কয়াৎ মঙা কয়াৎ তরামক্কী শম্নফম কয়াৎ অমদি (an organ of both sensation and action)। অদুনদি পূক্নিং হায়বদি হকচাংগী মনুং চনবা কয়াৎ অমনি। পূক্নিংবু (নুংগী হকচাংবু) লীশিন্দুনা (কনশিন্দুনা) চৎলিবা মচৎ অদুবু ধর্ম্ম (লীচৎ) কৌই। অমুক্কা হেন্না খনজিল্লগা - ‘ধৃয়োতে অনেনেতি ধর্ম্ম’ : লীশিল্লিবা (ধারন : রক্ষা; Conservation) অদুবু ধর্ম্ম কৌই। ***ৱাহন্থোক্লা থুগাইদুনা য়েংবদা মীতৈরোনগী লীচৎ হায়বসি ময়াং মরোনগী ধর্ম্ম হায়বদুগা, লোন তিন্নদ্রবসু পোৎশক্তি অমত্তনি হায়বদু তশেংলে, চুমলে। মীওইববু হিংহল্লিবা অমদি মপূং ফাবা পুন্সি অমা শেমগৎলিবা অদুবু মীওইবগী লীচৎ অমদি ধর্ম্ম কৌই।...*** অসিনচিংবা।’

মথক্তা থিজরুবা মতমদা অখঙ-অহৈবা অহল-লমন কয়াদগী ফংজখিবা ‘ধর্ম্ম’ হায়ববু অসিবু কৌই হায়বদুবুসু লাল্লি হায়জরোই। হন্দক ‘মীরম তরেৎ’ কৌবা লাইরিক মচা অসিদা থেংনজরিবা খুন্নাই মীয়াম অমগীতা নত্তনা মালেমগী মীওইবা পূম্নমক্কী পূক্নিং অমসুং ৱাখলগী অমম্ববু ঙালহনবীরিবা ৱারোলশিং পূম্নমক অসি ঙসিগী মীয়াম্না মীতৈনি নৎত্রগা মীতৈ নত্তে হায়বদি হিন্দুনি, মুসলিম (মৈতৈ পাঙল) নি, বৌদ্ধ ধর্ম্ম চৎপনি, খৃষ্টান ধর্ম্ম চৎপনি অসিনচিংবশিংগী মী পূম্নমক্লা লৌখৎতুনা খন্নবা, নৈনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না থমজরমগে। হায়বদি হিন্দুগী ৱাহৈ ‘ধর্ম্ম’ হায়বসিগা মীতৈগী মীতৈরোন্না হায়নরিবা ‘লীচৎ’ হায়বসিগা অমত্তনি হায়রিবসিগা লোইননা মীয়াম অমনা হায়নবা লৈ - ‘ধর্ম্ম’ পূম্নমক চপ মান্নৈ’ ‘মীওইববু হিংহল্লিবা অমদি মপূং ফাবা পুন্সি অমা শেমগৎলিবা অদুবু মীওইবগী লীচৎ অমদি ধর্ম্ম কৌই’ হায়রিবসিগী ৱাহন্থোকসিনা তাক্লিবসি ‘লোল তিন্নদ্রবসু পোৎশক্তি অমত্তনি হায়বদু তশেংলে, চুম্মে’ হায়বসিগী ৱারোল অমুক য়েংবদা ‘লীচৎ’ হায়বসিনসু লোলসিবু ঙাঙবা, শীজিন্নবা মৈতৈ/মীতৈলোন্না মমালোন ওইবা মীওইবা খুন্নাই অমবু হিংহল্লি। মৈতৈ/মীতৈ খুন্নাইগী পুন্সিবু মপূং ফাবা পুন্সি অমা শেমগৎলি হায়বসি খঙহনবীরে, তশেংলে, চুম্মে হায়বা ৱানি।

মতৌ অসুম তৌদুনা ‘ধর্ম্ম’ হায়রিবা ৱাহৈ অসিনা হিন্দুগী ৱাহৈ ওইবা মরম্না ধর্ম্মনা ময়াং মরোল ওইবা মরম্না মরোলসিবু ঙাঙবা, শীজিন্নবা ময়াং মরোন্না মমালোন ওইবা মীওইবা খুন্নাই (হিন্দু/ময়াংশিং) বু হিংহল্লি; ময়াং (হিন্দু) খুন্নাইগী পুন্সিবু মপূং ফাবা পুন্সি অমা শেমগৎলি হায়বসি খঙহনবীরে। ***ৱাফমসি তশেংলে, চুমলে হায়বা ৱানি।*** হায়বদি ***‘লীচৎ’ হায়বসিনা মীতৈলোলসিবু মমালোল ওইবা খুন্নাই অমগী পুন্সিবু মপূং ফাবা চাওখৎপা-হৌরকফম মরূ লেম্ফু লৈবা অমসুং মীওইবগী মপূং ফাবা ফিরেপ অমা মশক থোক্লা লেপচবা ঙম্বদু লীচৎনা উৎলি*** হায়বা ৱানি। খরা শন্দোক্লা অমুক হায়রগদি ‘ধর্ম্ম’ হায়বা ৱাহৈসিনা ময়াং মরোল ওইবা মরম্না ময়াং হিন্দুগী পুন্সিবু মপূং ফাবা চাওখৎপা, হৌরকফম মরূ লেম্ফু লৈবা, তাকপা অমসুং মীওইবগী মপূং ফাবা পুন্সিগী ফিরেপ অমা মশক থোক্লা লেপচবা, শেম্বদু ‘ধর্ম্ম’ না উৎলি হায়বা ৱানি। ‘লীচৎ’ কীসু মসিগী মতিক ময়াই অমা লৈজে। ‘ধর্ম্ম’গীসু মাগী মতিক মগুণ (মতিক-ময়াই) অমা লৈজে হায়বসি ফিজুম থারবা ৱাফমনি। খুদমদি - মীতৈ ঈগী মপানা-মমানা মচাবু মশুবু মশাগী লীচৎতনা মপূং ফাবা মী অমা ওইনবা শেমনরি। ময়াং ঈগী মপানা-মমানা মচাবু মশুবু মশাগী ‘ধর্ম্ম’ তনা মপূং ফাবা মী অমা ওইনবা শেম্নরি হায়বা ৱারোনথোক্লি। ৱাফমসি চুমগনি। খুদম - শ্রীমদ্ভগবত গীতাদা ধর্ম্মগী মরমদা অসুম্না হায়রি মদুদি - ‘শ্রেয়ান ধর্ম্ম বিগুণ : পরধর্ম্মাৎ স্বনুষ্ঠি তাৎ। স্বধর্ম্ম নিধন শ্রেয় : পরধর্ম্মো ভয়াবহ: ।।৩৫।।

‘য়াম্না নিংথিনা পাঙথোল্লক্লবা অতোপ্পগী ধর্ম্মদগী ইশাগী ধর্ম্মনা মপূং ফাদবা ওইদুনসু ফবা হেল্লি, ইশাগী ধর্ম্ম তৌবদা থৱায় থারবসু মঙ্গল ওই। অদুগা অতোপ্পগী ধর্ম্ম চৎপদি অকিবগী মশকনি।।৩৫।। (শ্রীমদ্ভগবত গীতা: সংস্কৃত মুল অমসুং মণিপুরী অনুবাদ, লমায় ৩৩, অনীশুবা ফোঙবা ১৯৭৬ ‘মণিপুর গীতা মণ্ডল’)

অদুনদি, হৌজিক খঙলে মদুদি - মালেমদা লৈরিবা মী খুন্নাই লোল তিন্নদ্রবা, নাৎ তোঙান্নবা, লাইনীং তোঙান্নবা, চৎনবী, লোইনশিল্লোন (কলচর) তোঙান-তোঙান্না লৈদুনা লোইনশিল্লোন্না মশা মশাগী শক্তম মশক তাকচরিবা অমসুং খুন্নাই কাঙলূপ অমগা খুন্নাই কাঙলূপ অমগা; অমনা অমদা ইকায় খুম্নমা, নুংশি চান্নরা হিংমিন্নবদা চাওখৎপগী খোঙথাংদা পূন্না চৎমিন্নরিবসি মশা-মশাগী লীচৎ (ধর্ম্ম) না খুন্নাই মশা-মশাবু শেম্বদা পূম্নমক্তা অমত্তা ওইবগী মতিক-ময়াই মঙালসি লৈবননি। মসিদি নোংমদোনথক্কী নুমিৎ কোরৌহনবগী মমিংবু মীওইবনদি মাগী মাগী কাঙলূপ-ফুরুপ লোন্না মমিং থোন্দুনা খঙনবা অদুগা নুমিৎনদি অচৎপসু চত্তবসু মাগী মাগী শক্তমগী মপূং ফাবা ফিরেপ্তা মশাবু অমসুং কাঙলূপ পূম্নমকপু হিংহনবা থবক্তুগুম্বনি। অদুনদি চিংনিংঙাই লৈত্রে, মদুদি - মৈতৈ/মীতৈ খুন্নাইনা খুন্নাসিগী লীচৎ চুম্না শেংনা চৎলবদি খুন্নাইসি মপূং ফাবা খুন্নাই অমগী পুন্সি শোয়দনা খুন্নাইসিদা ‘লীচৎ’ না শেম্বীগনি। খুদম থমজগে ময়াং ন্দিুশিংনা মখোয় মশাগী ‘ধর্ম্ম’ চুম্না চৎচবদুনা মালেমসিদা ময়াং হিন্দু খুন্নাই পূম্নমকসি মপূং ফাবা চাওখৎলবা খুন্নাই অমা ওইনা শেম্বীরিবসিনি। (মৈতৈ বামোন হায়না খঙনরিবা অদুঙৈগী আর্য্য ব্রহ্মন্নি হায়নরিবা সংস্কৃত লোন্না দেব পুজা তৌবা মীওইবা কাঙলূপ অসি ফাওবা মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্মগী মপান্দগী মীতৈ = মৈতৈ/মণিপুরী (হিন্দু) শিংগা গৌড় ধর্ম্ম কৌবা ধর্ম্মসি চৎমিন্নরবসু শোক্ল-শম্নবা য়াদবা অমাং-অশেংগী চৈখল অমনা মৈতৈ বামোনশিংবু কনশিন্দুনা, কোনশিন্দুনা, লিশিন্দুনা থায়নদগী ঙসি ফাওবা চৎনরিবসি মৈতৈ বামোনশিংসি লান্দে, মশাগী হিন্দু ধর্ম্মদুব ইকায়খুম্নজরিবনি, ঙাকচরিবনি।

মৈতৈ/মীতৈনা সনামহী লাইনীং লীচৎ চৎচরিবসু থায়না য়েলহৌমী ইপা ইপূ সলাই ৭ চাগী মতমদগী চৎনরকপা খুন্নাইসিগী লীচৎপু থাদোক্লক্তবগী খুদম য়াম্না মরাং কায়না ঙাকচরি, কনজরি, লিশিন্দুনা মাঙহন্দনা চৎনজরি। খুদম খরদং পঞ্জরবদা - ইমুংদা লাইনিংথৌ সনামহীগী খুভম, লৈমরেল শিদবীগী খুভম ইরাৎনরিবা, লম লাইদা লাইফম কয়া উমংলাই হরাউবা, লুহোংবদা, পোকপগী থৌরমদা, শাগৈ অপোকপগী থৌরম্নচিংবা শিংথাবা ঙমদনা লৈখ্রে। খুন্নাইসিগী লীচৎনি। পুয়ানা খুদমনি। হিন্দু ধর্ম্মগীনা পূরান্না খুদমনি।।◀◀

# ঐখোয় খুদিংমক হকচাং ফহনসি শেংহনসি, পূক্নিং ৱাখল থম্মোয়সু

**হুইদ্রোম ঙৌবা**

হকচাং ফবনা অচুম্বা অশেংবা লেংদ্রবা লানদি খঙনরিবা মীওইবা ঐখোয়না কান্নগদবা মচি ওইবা চীঞ্জাক চানরি, থক্নুরি অমসুং অঙনবা অয়ুক্তা মাগী মাগী য়ুম য়ুমদগী থোক্লক্তুনা অঙাং নহা অহল খায়দনা গ্রুপ-গ্রুপ, মচোয়-মচোয়, পরেং-পরেং চৎনরি ৱাকিং। ঈংলবা শেংলবা অফবা নুংশিৎনা হকচাং কায়াৎ খুদিংমক্তা য়ৈহন্দুনা কান্নবা অফবা ওইহনবগুম্না, ইশা-ইশাগী থম্মোয়বুসু অশেংবা অচুম্বা অফবা ৱাখল খন্থমিন্নদুনা, থৱায় য়াওনা হকচাং ফহনবগুম পুকচেলসু চুম্না ঐখোয় পূম্নমক্কী ওইনা ফহল্লিসি। মীওইবনা চাদ-থক্তনা হিংবা য়াদবনা মাগী মাগী মথৌদা মায় ওনশিন্নদুনা শূনরি নোম্নরি, হোৎনরি, তুংগীসু, চানবখক্কী হিংবা নত্তবনা মমল য়াম্লবা লৌশিং অমগা অমগা চুংশিন্নদুনা তান্নদুনা অফবা কান্নবা পুথোকমিন্নদুনা চাওখৎপা নুংঙাইবা হেনগৎলক্লি নোংম-নোংমগী মালেমসিদা। চাওখৎ-চাওখৎলক্লগা ফৎনরক্তবা হেনগৎলক্লবদি মীগী লাইবক থীহনবনি। ঐ ঐনা তৌজরুবগী মহয়গী ফল ইশা ইশানা ফংজরিবনি। অফবগী মহয়দি কান্নমিন্নৈ মীঙোন্দা শোকহন্দে, ফত্তবা মহয়গী ফলদি মী ৱাহল্লি, শোকহল্লি, মাঙহল্লি হায়বা কাউগুমসি। হোরেনদি হয়েংদি করি ওইরগবা? করি থোক্লগবা ? খঙবা কনাসু ঙম্নদবা মীওইবনা লাল্লি চুমই, ফৈ-ফত্তে য়াই-য়াদে ইশা ইশানা তুংগীদমক খলহৌদবা মীকুপ্তা ঐ ঐনা ফৎত্রগা মীবুসু ৱাহল্লি, মাঙহল্লি খঙলিবা মীওইবনা করিগীদমক খন্থরোইদবগে। পুবা থাংবদা ৱাগদবা মীওইবদা অৱা পোৎলুম পুহনগুমসি। মসিমদি মহাক্লা তাকপীরম্বদগী, পুথোকপীরম্বদগী, শেম্বীরম্বদগী, মহাক লৈবদগী, কান্নহৌরে ফহৌরে হায়হনসি। ঐ ঐগী কান্নবা, ফন্নবা, নুংঙাইনবা শেমজবদা অমনা অমদা কায়রোইদবা মওংদা ইশা ইশানা শেমজদনা কনা অমা লাক্তুনা শেল্লরোই। কায়নগুমসি য়াদ্রবসু, থাজনদ্রবসু, ফৎনদ্রবসু, মোৎনরবসু, শোক্লরবসু মাঙনরবসু মীওইবা ঐখোয়গী ইশা ইশাদা য়ৌবিরক্কনু য়াগদ্রা খন্থমিন্নসি। ফত্তবদি ফত্তে, ফরক্লগা ফবনি, অফবদি পূম্নমক্কী ওইবা অপাম্বনি। তুংগীদমক অফবা মী, অফবা খুনাই অমা ওইরক্লবগীদমক লৌশিং তানশিন্নরিবনি মীওইবনা। হৌজিক্তি লাইরিক লাইশু হৈবগী চাংসু য়াম্না ৱাংলক্লবনি লমদমসিদা। লৌশিং লৈবা হেল্লক্লগা লাইরিক লাইশু হৈবনা য়াল্লক্লগা ইশা ইশাগী ইমুং অমসুং লৈকাই লৈপাক চাওখৎহল্লসি, ফহল্লসি, ঈং-তপ্পা ওইহল্লসি, ফৎনদ্রগা মী মশেল ৱানৈ, ঐ-ঐসু ফহল্লসি। ঐনা ঐনা তৌজরিবা, চৎচরিবা অসিবু চুন্নিবরা, লাল্লিবরা খন্থজরগা ফগদবা অফবা কান্নগদবা তৌসি। অফবদি পূম্নমক্লা য়াই। ফত্তনবসু মীনা, ফন্নবসু মীননি। ঐ-ঐগী পূক্নিং ৱাখল থম্মোয়বুসু অশেংবা অচুম্বা মাঙহন্দনা তুংগীদম খলম্লসি, তৌরম্লসি, অশেংবা অচুম্ববু ঐখোয়না লাপথোকচখ্রবদি অমনা অমবু থাজনদবগী চাং নোংম-নোংমগী হেঞ্জল্লক্ত্রিঙৈদা ঐ ঐনা পৈশা তিংগদবা ডাক্তর য়াওদনা ইশানা ইশাবু লায়েংহৌনবগী তাঞ্জা ঙসিমক্লি। লায়েংহৌদ্রবদি তুংগী মীরোন্দা অমসুং য়ুন্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা নৌরিবা খঙজদ্রিবা অঙাংশিংগী মরাইবক করি ওইহৌগনি অমুক্তং খন্থমিন্নসি। অঙাংশিংগী মমাঙদা ফত্তবা লিচৎ-শাজৎ, নাতৈ চাদবা ৱাঙাং-শাঙাং শীজিন্নগনু, লৌখিনি, হৈখিনি হায়নরিবনি। হৌবা লোয়বা মকোক মমৈ লংলা-লংজিন নীংথিজনা খঙ হৈরবা, ওজা-গুরুশিংনা তাকপীরকপা-তম্বীরকপা লৌরোইদবা-য়ারোইদবা কনা লৈবগে। খঙনা হৈনা পোল্লককপা কনাসু য়াওদবনি। ৱাখল তাদবা খঙজদববু তাকপীরগা খঙহনবীবা, অরানববু চুমথোকপীবা, অচুম্বগী তৌফম থোকপা লীচৎনি। তাইবঙ শেম্বীবা মপু ইবুংঙো নহাক্কী অশেংবা অচুম্বগী থৌনালগী মঙাল্লক্তগী থোক্লককপা মরিক-মরিক, ময়েক-ময়েকপু ঙমজবা খরদং খোমজিন-তাশিঞ্জরগা ৱাহৈ পরেং-পরেং ওইনা ইথোকচদুনা কাউগদনবা মীওইবনি খঞ্জদুনা লৈপাক মীয়ামগী খরদং ওইরবসু কান্নগদ্রা খঞ্জদুনা ইরমদম ইরৈবাক্কী নচা-ননাও ওইরিবা ঐহাক্ল। ইজরিবা লাইরিক ময়েকশিং অসিবু য়েংখিবা, উখিবা, খঙখিবা, পাখিবা পূক্নিংদা চংশিনখিবা, থম্মোয়দা চুশিনখিবা মীওই খুদিংমক্তা কান্নবা অফবা শান্তি ওইহনবীদুনা নচা-ননাই খুদিংমকপু অশেংবা অচুম্বগী মাঙলদা মীকপ থোকহনবীরো। অথোইবা জীব মী ওইনা পোক্লুরবা, হিংলুরবা ঐখোয় খুদিংমক্লি। মীওইবগী শোক্কদবা মাঙগদবা মীনা পামদবা য়ানিংদববু খঙন-খঙনা তৌজরুবগী মহয়গী ফলবু মী ঐখোয়না ফংজদনা অতোপ্পা জীবনা ফংলোইয়ে, খন্থরসি, তুংগীদমক্লি ঐখোয়না হিংলিবসে। মপু মাগী অশেংবা অচুম্বা মশামক্কী ওইবা মীওইবগীনা ‘থৱায় লাই ঈশ্বর’ মহাক্লা মীওইবগী থম্মোয়নুংগী লকানুংদা ঈংনা চিক্ল থুপ্তুনা লৈরিবা মহাক্লে। ঈশ্বর মাবু থম্মোয় শেংনা খঙনিং উনিংবগী পূক্নিং ৱাখলনা লাঙতক্লুরবা লৈতাদ্রবা তূম্বা চাবা, থকপা শূবা নোম্বা চৎপা মতম খুদিংমক্তা মাবুতা নীংজরবা খঞ্জরবা, খঙদবা উদবা নকশিন্দবা ফংদবনা, খোইরাং খোইশাওনরক্তুনা খাঙবা ঙমদদুনা অৱাংবা চীংদোন্দগী, শাংনা থরো-থরো ওন্থরক্লগা খরা-ঈংগদ্রা ফংগদ্রা কান্নগদ্রা য়ৌনা খল্লক্লবা মতমদতা মহাক্লা তৌহঞ্জবনা, মহাক্কী অশেংবা মনাইবু থৌজানবিয়ে, হে মীওইবা! মমা-মপা নীংবা মচানা ৱাবদা মমা-মপানা উবিবনে। মৈ-ঈশিং, নুংশিৎ, লৈবাক-অতিয়া মঙামক্লা পুনশিল্লগা হিংহল্লিবা ‘জীব আত্মা থৱায় লাই ঈশ্বর’ মহাক য়াওদনা হিংবা ঙমদে। মরম অসি লৈবনা মীওইবগী হকচাং পোলাংদি লাই ঈশ্বরগী অশেংবা অচুম্বা মন্দিরনি, মন্দিরদা লাই ঈশ্বর লৈয়ে। ইশা ইশাগী পূক্নিং ৱাখল হৌরকফমসু ঈশ্বর মাঙোন্দগীনে থম্মোয় শেংই শেংদে থম্মোয়নুংগী বিন্দু মরিক অমফাওবা চিৎথদনা খঙলিবা মহাক্লি। ঐ-ঐনসু তশেং তশেংনা খঙজরিবদুনি। মহাক্কী মপোৎ মরন্না হিংলিবা ঐ ঐসে মাগী ওইবনা ঈশ্বর মাবু ঐখোয় খুদিংমক্লা কাউফদে। ফনা শাউদুনা লৈরল্লবসু মখোঙদবু তুরুরবদি শাউরম্বা খুদিংমক হন্থরকপনে, মদুদবু হন্থরক্তবা মীদুদদি ফত্তবনা মশা পূম্নমক্তা য়োমশিনখিদুনা অশেংবা অচুম্বগী মঙাল করিনো খঙজদবা লাইবক থীবনে। ঈশ্বর মহাক লৈবদগী ঐখোয়না হিংবা ঙল্লিবনি হৌবসু লোইবসু মঙোন্দনে। ঐ-ঐ ওইরিবা ঐসে অচম্বা অরায়বা নত্তবনি হায়বসে কাউবিগনু। মী মীগী ৱাঙাঙ শাঙাঙ তৌথোরকপা মীৎয়েং নায়েং লীচৎ শাজৎ মওং মতৌনা মাগী মাগী মশক তাকচবনি। ঐখোয় খুদিংমক মাগী মাগী মতম লোইরগা নোংমদি শোয়দনা শিরগদবা ঐখোয়নি; হিংলিঙৈদা পুকচেল শেংনা নুংশিননা লৈমিন্নরগা ইমুংসু ঈংগনি লৈকাইসু ফগনি, লৈপাক্কীসু অফবা নুংঙাইবা চাওৎকপা ওইরক্কনি। খন্থজবা ঙম্বগী শক্তি লৈজবা মীওইবনি হায়বসে ঐখোয় খুদিংমক্লা অমুক্তং পূক্নিং ৱাখল তৌবীদুনা মীনা মীবু ৱাহানগুমসি, মাঙহনগুমসি, ঈং-তপ্পাওইমিন্নরসি ঙসিদগী।।◀◀

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮১

১। মণিপুরগী পুৱারীদা সেপ্টেম্বর ৩০ অসিদি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি, মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ হায়না। মসি ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অমদা ইহান হান্না মৈতৈলোনগী ঈশৈ শকখিবা নুমিৎ অদুদগী পারকপনি।
(ক) ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) ইহান হান্না শান্নখিবা অদু কুমজা কয়াদনো?

২। ‘‘চৎলু অতোন : ফৌরুংবা কাদুনা কাকয়েল মীঙম্বগী মরূম লোক্লুচো, ইচীল ইনাও চাসি।’’ ৱাফম অসি অইবা অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। ৱারেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ‘‘ৱানথখরে হৌজিক্তি পৃথিবী/চৈনাখোল খাঙবা ঙমদ্রদুনা।’’ পরেংশিং অসিনা ‘অশিবা অহিং’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। লানলুম্বা কবি হায়নসু খঙনবা শৈরেংসিগী অইবদু কনানো?

৪। ‘‘করিগীদমক য়ূম হোংগদৌরিবনো? ... ঐহাক মীনি, নুপীনি, অদুগা মপূনি।’’ ৱাফম অসিনা লৈমহন কৌবী অমনা মাগী নুপাদা হায়রিবনি। ‘ৱাকৎ’ কৌবা ৱারীমচা অদুদা। অইবীদু কনানো?

৫। গোপীনাথ মোহন্টিগী ওরিয়া উপন্যাস, ‘দাদীবুধা’ হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকলোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।